ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯖꯨꯂꯥꯢ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জলাই ০৮, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১০৩শুবা মশীং

## ৱার ওন দ্রগস

### খুরক্তগী লিৎথহনগুমসি, ইকায়ৌজে

মমাঙগী লৈঙাক্তসু টর্ম শুনা ওইরকপগী মথক্তা হন্দক্কী অনৌবা লৈঙাক্কীসু চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নোংথোম্বম বিরেননা থৱায় য়াওনা হোৎনজরকপদগী 'ৱার ওন দ্রগস' কী কেম্প্যেনসি হৌজিক্তি মায় পাকপরোমদা চঙশিল্লক্লে হায়বা য়ারে। তক্ল-তক্লগা নূঙদসু ময়েং তারকই, ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বদুগুম্না হোৎনববু লেপত্রবদি কেম্প্যেন অসিবু শৌগৎকনি, পোপি পাম্বীশিং থাহল্লোই, দ্রগ ফ্রী জোন ওইহল্লগনি হায়দুনা খোইরেল মসা পানখৎনরক্লে। খা-ৱাং, মনীং-মমাঙ থিদনা, অনকপা-অরাপ্পা খায়দনা চীংমী ফুরুপ কয়ানা কেম্প্যেন অসি ফোংনা চোংথোক্তুনা শৌগৎনরক্লে। চুম্নতা চিন্না হায়বদগী হেন্দোরক্তুনা চীফ মিনিষ্টরদা অইবা ৱাশক চেরোল ফাওবা পীশিন্নরক্লে। তম্পাক্তা মপূং ওইনা লৈরিবা মীতৈ পাঙল ফুরুপ্নসু চপ মান্নবা লম্বীসিদা অচেৎপা ফিভমদা খোঙ থাংলক্লে। য়াম্না ফবা, কেম্প্যেন অসিবু মহয় য়ালহন্নীংবা/মায় পাকহন্নীংবগী মথৌ তাবা মচাকশিংনি। নীংহন্নদনা লেপ্তুনা হোৎনজরকপগী মহয়নি। নাকল অমরোমদনা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিং ওইরিবা ষ্টেট পুলিস অমসুং সেন্ত্রেল আর্মি য়াওনা পেরা মিলিটরি ফোর্সকী পর্সনেলশিংদসু শেল য়াওনা অতৈ পূক্লিং থৌগৎপগী মনাশিং খূৎশিন্নবদগী ইল্লিগেল দ্রগশিং চাবা, য়োনবা, শুংবা, পুশিল্লকপা, থন্নম্বা মীওইশিং তম্না খুরুপ থাদুনা পাইশিন্নরক্লে। মখোয় মখোয়না ময়াই কাবা চিঙাকশিংগী মায়োক্তা পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং অকনবা মওংদা চত্থরক্লে। ইশম শম্বদা হৌজিক চৎলিবা 'ৱার ওন দ্রগস' কী খোঙচৎসিগী খোঙজেল তপথরক্ত্রগদি অতেনবা মতম খরগী মনুংদা লানসি শোয়দনা মায় পাক্লবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। খরদুম থুনা প্রপ-প্রপ মায় পাকপা ওইরসনু। হৌজিক লৈরিবা মীরোলসিগী মীওইশিংসু ময়াই কাবা চিঙাক্কী ঈপাক্তগী চিংখৎতুনা কনবা ঙম্বা ওইরসনু। অদুগা তুংগী মীরোলনসু ঈপাকসিদা অমুক ঈরাক্লদনবা অমোৎপা ঈশিংসি শিৎ নান্না পুংকং কংনা শিত্তোক্লম্বা ঙম্বসু ওইরসনু।

অদুবু ৱার ওন দ্রগসকী অকনবা লান শোক্নরিবা মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা মরোল নাইনা দিপ্লোই তৌরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদগী নাম্থোক্তুনা গুৱাহাটি তম্না নেসনল হায়ৱে নম্বর ২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা চৎখিবা গাড়ী অমদগী লুপা লাখ কয়াগী মমল ওইগদবা ৱর্ল্ড ইজ য়োর্স (দব্লিয়ু ৱাই) টেব্লেট খরখক্তসু নত্তনা লাখ অমা নাগালেন্দদা ফাবগী থৌদোক থোকচিল্লকপসিদি থোরকহনফম থোক্তবা থৌদোকনি। মতুংদা থোরকহনগনু ইকায়ৌজে। ৱার ওন দ্রগসকী অকনবা লান শোক্নরিবা মণিপুরগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী খুরক্তগী খজিক খরাক্তসু নত্তনা য়াম্লবা ইল্লিগেল দ্রগশিং লিৎথহনখিবা চুমদে। নাগালেন্দগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মমিৎ ৪/৫ পানৱা, মখূৎ ১০/২০ পানৱা হায়বগী ৱাহং চোংথোরক্কনি। মতুংদা থোকহল্লক্কনু। নাগালেন্দগী থৌদোক্তু জুন ৩০, ২০২২ অমসুং জুলাই ১, ২০২২গী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১ রোম তারকপদা কোহিমাগী পেদুচা হায়না খঙনবা মফমদা থোকখিবনি। মফমদুদা ইম্ফাল্লোমদগী লাকপা কার (রেনো দষ্টর) অমা নাগালেন্দ পুলিসকী নার্কোটিক সেলগী মোবাইল য়ুনিট অমনা চ্যেক তৌখিবনি। গাড়ীদুগী বোদিগী শরুক্তা অখন্ননা শেমদোক্লবা মফম অমদা দব্লিয়ু ৱাই লিশীং ১০/১০ চনবা খাও ১০ হাপ্তুনা পুরম্বনি। মদুগীদমক তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই অনীগা কোন্ননা ফাগৎখিবনি। মখোয় অনীগী মথক্তা নার্কোটিক্স দ্রগস অমসুং সাইকোত্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট, ১৯৮৫গী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা কেস নম্বর ৪ ওফ ২০২২ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু থৌদোকসি কোহিমা মনাক্তা মতৌ করম্না থোকখ্রিবনো? ইল্লিগেল দ্রগশিং অদু ম্যান্মারদগীনা কোহিমা ফাওবগী মরক্তা মদুনা লান্দুনা চৎলমগদবা পুলিস ষ্টেসন/সিক্যুরিটি চ্যেক পোষ্ট কয়া ওইরমগদগে? পূম্নমক্তু লাম্থোরক্লগা কোহিমাদা ফারে হায়রিবসিদা ফারিবা পর্সনেলশিং অদুনা ৱার ওন দ্রগস চত্থরিবা মণিপুরগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা য়েংলমগদবা মিৎয়েংদু করি ওইরমগনি? এন ঐচ-২গী পরিংদা লৈরিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা ফাওবা শেল য়াওবা মনা থেঙ্খাং অনীরক্তা পীখ্রবনি। লোইনমক্তি ফাবা ঙম্বগী পাম্বৈ লৈত্রে হায়রুবা য়াগদৌরিব্রা? ইন্টল্লিজেন্স অমসুং ইক্বিপমেন্টকী অৱাৎপা লৈরম্লবদি ৱাৎহল্লনু। নাগালেন্দগী মমাঙদা ইকায়ৌজে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১) "**তনৌ তনৌবী**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) "**দ গাইদ: লমজিংবা**" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) "**শাবন য়ূম্ফম**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "**শোল্লবা কোকসিদা পুবদি ঙমজদা/পেনবা নাইদনা থকচিল্লুরে/নঙগী মায়থোঙগী কল্লবা য়ুগী নেশা।/অহিং চূপ্পা খাঙজে চৈনা, নীংজরুবগী/হন্দোক্তুনা/লাঞ্জখিদবা চীনসিদগী/নঙগী নমিং/লেপ্পা লৈতা।**" মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

৫) "**নূর বেগম**" হায়বসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কোরোনাসি কমদৌনা অমুক হন্না লিৎখৎলক্লিবনো?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

কোরোনাসিবু মণিপুরদগী মপূং ফানা হনখ্রে হায়নখিবগুম তৌখ্রদাইনে? হন্দক-মরক অমুক ইখঙ খঙহৌদনা ইরমদমসিদা নোংম-নোংমগী কোরোনা পোজিটিভ ওইবগী মশীং ভ্রি-ভ্রি হেঙ্গৎলক্লিবসিনা কমদৌরিবা জাৎনো? নহান থা খরগী মমাঙদদি মণিপুরদা কোরোনানা নাবা অনাবা অমত্তসু লৈত্রে হায়দুনা কোরোনাগী এস ও পিশিং-কাদু লোইনা লৌথোক্লে হায়দুনা মেদিকেলগী মরী লৈনবা অচৌবা মকোক্লা ওর্দর থোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুগা হৌজিক্লা অমুক মহৌশাগীদুগুম্না চপ চানা লমদমসিদা কোরোনা লায়না অমুক হন্না শন্দোক্লকপগী ফীভম উরকপসি লাইবক য়াম্না থীবনি। ঙসিমক থৌদৌসিদগী ঐখোয় পূম্নমক চপ চানা ঙাকথোকহৌনবগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎমিন্নহৌবা মথৌ তাই। হেঞ্জিন্না পাখৎলুবগী থোইনা মথৌ তাদে। অদুম ওইনমক কোরোনাগী ৱাফম হায়রগদি ইরমদমসিদা লৈমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমকসি মহৌশানা ৱাখল তানখ্রবশিং ঙাক্তনি। হৌজিক ইরমদমসিদা কনামত্তনা কোরোনা লায়নানা নাবা মীশিংগী মশীং হেঙ্গৎলকই হায়বদা মীপাইবা পোক্নদবা য়াওরোই। লমদমসিদা কোরোনানা কন্না লাকশিল্লিঙৈ মতমদুদা ইরমদমসিদা লৈমিন্নরিবা, হিংমিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমকসি কয়াদা ৱানা হিংনখ্রবনো? কয়াম তোন্নসু লেনমিন্নখি? লৈকায়গী অমসুং খুঙ্গংগী হায়বদু ফাওবা লাইরদুনা, ইশা-ইশাগী ইমুংগী মীওইশিং ফাওবা লায়নাসিনা নারকপদা থৌগল তৌবা ফংহৌদ্রিবনি, উন-ফাওবা উনহৌদ্রিবনি। ৱাহে মচেৎ অমা ফাওবা হায়নহৌবগী খুদোংচাবা ফংদনা শেৎনখিবনা অয়াম্বনি। লৈখিদবা কয়াদুগী মথৌ মঙমশিং ঙসি ফাওবদা নিংথি-নুংঙাইনা খক পাঙথোকখিবা নত্তে। মতা অমনি মতমদু, কোরোনানা শান্নখিবা মাগী অহকপা কুম্মৈশিংদু ঙসিসু ইমিৎ অনীসিদা শংশংনা উরি। মুন্না নীংশিংলুরবদি কোরোনা কল্লিঙৈ মনুংদুদা, মখল-মখলগী থৌদোকশিং য়াম্না থোকখ্রবা জাৎনি। পূম্নমক্তু নীংশিংলুরগা কান্নগদৌবদি অমত্তসু ওইরোই। ঐখোয়না কাউখিনবা হোৎনবদা পাক হেক কাউ হায়বা য়াদবশিংগী মনুংদা কোরোনা লাইচৎকী থৌদৌসিসু অমনি।

কোরোনাবু ঙসিগী মীয়ামসিনা খ্বাইদগী হেন্না তাথীবা অমসুং কিনবগী মরমসি লায়নাসিনা মীওই অমদগী অমদা খ্বাইদগী হেন্না লায়না শন্দোকপা ঙম্বা অমসুং খোঙজেল খ্বাইদগী হেন্না য়াঙনা লৌনহনবসু ঙম্বসিদনি। মহৌশানা কোরোনাসি অসিগুম্বা মখলগী লায়না অমা ওই হায়বসিসু ঐখোয়না মতম পূম্বদা খঙদুনা লাক্লবনি। অদুম ওইনমক হায়নীংলিবসিনা অসুম্না অসুক য়াম্না শাথীখ্রবা লায়না মখলসি মণিপুরদা কনামত্তদা নাদ্রে, লোইনা ফখ্রে হায়দুনা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরগী মীয়ামদা লাউথোক্লুরবা মতুংসিদা হৌজিক অমুক নৌহৌনা লায়নাসিনা পোজিটিভ ওইরবা অনাবশিংগী মশীং, ভ্রি-ভ্রি লাউনা হেঙ্গৎলকপগী থৌদৌসি মণিপুর লৈঙাক্লা কোমথোক্লুবদগী থোকপা শোয়দনা ওইরমগনি হায়বা ৱাফমসিনি। ঐখোয়না কোমথোক্লুরবা মতুংদা লায়নাসিমক মপান লোমদগী নারগা লমদমসিদা চঙলকপা মীওইশিং শোয়দনা য়াওনরমগনি। মখোয়দুদগী নৎত্রবদি লমদমসিদা মতৌ করম্না ইখঙ খঙহৌদনা অমুক ইনৌ-নৌনা লায়নাসি পোজিটিভ ওইবা হেক থেংনরকপদা থেংনরিবা অনাবশিংদুগী ত্রাভেল হিষ্ট্রিশিং অমদি কেস হিষ্ট্রিশিং মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা কাঙবুশিংনা নৈনবীহৌদবরা হায়বা ৱাহংসিনি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা হন্দক নৌনা কোরোনা নারক্লিবা পেসেন্টশিংদুগী কেস হিষ্ট্রিশিং অমদি ত্রাভেল হিষ্ট্রিশিং শোয়দনমক্কী থিগৎপীরম্বসু য়াই। তৌইগুম্বসুং, কেস হিষ্ট্রি অমদি ত্রাভেল হিষ্ট্রিনচিংবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চপ চানা থিগৎখি হায়বা ৱাফমসি মীয়ামদা খঙহনবা য়াবা মওংদা মীদিয়ানচিংবশিংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবগী ৱাফমদি লাইবক থীবনরা কৈনো ঙসি ফাওবদা থেংনখিদবগুম তৌই। থৌদৌশিংসিদা তশেংনা ঙসিসু ঐখোয়না কোমথোক্তুনা লৈরম্বা থোক্লবদি মমাঙদা নোংমদা মীশিং থিবা ঙমদবা মখৈ ইরমদমসিদা কোরোনা পোজিটিভ ওইখিবগী থৌদৌদু অমুক হন্না ঙসিসু হঞ্জিল্লক্লোই হায়বসি কনামত্তনা হায়বা ঙম্লোই। করিগুম্বদা হন্দক-মরক মশীং কা হেন্না য়ামদ্রিবা মীওইশিংনা ইরমদমসিদা কোরোনা ভাইরসনা নাবা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈসিদা ইরমদমসিগী কোরোনা পোজিটিভ ওইবা মীওই খরসি য়াম্না অথুবা মতমদা ময়েক শেংনা নাবা ফহনহৌদ্রবদি অফবা ওইরক্লোইদবগী মরমশিং অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। মমাঙথক্তা কোরোনানা থোকহনখিবা শাথীরবা খুন্তাক-লানশিবগী ফীভমদু লৈকায় খুদিংমক্তসু অমুক হন্না ওইহল্লকপা য়াবগী অকিবশিং লৈ। মতুং তারকপদা অমুক হন্না কোরোনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং ইরমদমসিদা মখা তানা মশীং হেঙ্গৎলক্তনবগীদমক মপূং ফানা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌবসু মথৌ তাই। সিখক্তা নত্তনা অতেনবা মতমগী মনুংদা কোরোনা কন্ট্রোল তৌনবগীদমক তোঙান তোঙানবা অহকপা থৌরাংশিং খরসু লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা লৌখৎহন্নীংই।

হায়সু হায়বনি হায়বু, হন্দক মতম খরা নিল চৎলুরবা মতুংদা ইরমদমসিদা কোরোনা লায়নানা নাবগী চাং অমুক হন্না খংকন-কনখৎলকপগী মওংদা লাকখ্রিবসি মতৌ করম্না লাকখিবা জাৎনো? হৌজিক-হৌজিক কোরোনা লাইচৎকী অনৌবা ফীভমসি মহৌশাগী অদুম্না অমুক্কসু হন্না ইরমদমসিদা পাক-চাউনা শন্দোক্লক্লদ্রা খনবদা ইরমদমসিগী মীয়াম পূম্বসি মিপাইবা অমা পোক্লরে। মমাঙদা ঐখোয়না ময়েক শেংনা মায়থীবা পীবা ঙমখ্রবা অদুগা লায়নাসিগী মরমদা শাথীবগী চাংসু ময়েক শেংনা খঙখ্রবা ঐখোয় পূম্নমক্লা ঙসি অসিগুম্বা তমথীবা লাইচৎসিবু মতৌ করম্না অমুক হন্না তরাই-তরাইনা ইরমদমসিদা হিঙ্গৎহল্লক্লিবনো হায়বসি খনবদা অরুবা ৱাফম অমা ওইরে। ৱাফমসিগী মতাংদা খন্নদবদি য়ারোই অদুবু খন্নবদদি অসুক্কী মতিক খোইরাং খোইশাওনবা খরদি শোয়দনমক্কী পোক্লরগদবা মাল্লি। কোরোনা হায়বা লায়নাসি খজিক্তং ফাওবা কোমথোক্লুবা য়াবা লায়না মখল অমা নত্তে। মমাঙদা লমদমসিগী মীয়ামসিনা লায়নাসিগী চপ চাবা চৈথেংশিংদু ময়েক শেংনা খঙনখ্রবনি। ইরমদমসিদদা নত্তনা মালেম পূম্বদসুনি কোরোনানা মুন্দুনা পুবিখ্রবা থৱায়শিং ঙসি ফাওবদা মফম মরাং অমত্তসু খঙখিদ্রবনি। অদুগা মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌ মঙমশিংসু অমত্তা নিংথি নুংঙাইনা তৌখিদ্রবনি। করিগীদমক ঐখোয়না কোরোনাগী লাইচৎসিবু হঞ্জিন-হঞ্জিন সেল্যুট তৌগদৌরিবনো অমসুং ইরমদম মচাসিদা অমুক হন্না হিঙ্গৎহনগদৌরিবনো? ইশানা থেংনখ্রবা অৱাবা থৌদৌশিং করিগীদমক হন্না-হন্না মায়োক্লবা পাল্লিবনো? ঙসি-ঙসিমক, মণিপুরদা নারিবা কোরোনাগী পেসেন্ট খরসি য়াম্না অথুবা মতমগী মনুংদা নেগেটিভ ওইহন্নবা হোৎনরগা অমদি মখা তাবা চেকশিন থৌরাংশিং মপূং ফানা লৌখৎলগা, ইরমদম মণিপুরগী লৈমায়সি কোরোনা ফ্রী জোন ওইবা লৈমায় অমা হায়বদু অমুক্তং ময়েক শেংনা ওইহল্লসি।

হৌজিক্কী মতমদা মশাগী খুদোং চাবা খজিক্তং য়েংনবা হোৎনবদা লমদম অমগী অপূনবা মীয়ামদুগী মাঙজগদবশিং য়েংগন্দবা মীওইশিংনা কোঙ্গায়-কোঙ্গায় ওইরে। শুপ্নগী চাক চগ্রিং অমখক্লা চেঙ চেঙকোক অমা মাঙথোকই হায়নবগুম, ঐগী ঐগী হায়বসিদং খন্নবদা খুন্নাই অমগী অপূনবা মীয়ামদুবু অরানবা মায়কৈদা লমজিংবীগদৌবা লুচিংবশিংসু হৌজিক্কান্দদি কৈথেল নুপীশিংনা পুখমদা হাপ্পগা হাদুনা য়োনবা পোৎ চৈশিংগুম্না গোলাই খুদিংগী পংফংদা ফংনরে। মীনা ইনশিন্দুনা মশা খক্তংগী খুদোংচাবা লৌনবা থিবা মীসু হৌজিক্কানদি মশীং থিবা ঙমদনা লৈরবনি। অদুম ওইনমক মী হায়বসি ৱাখল্লোনবু চুমখ্রবদি মীয়ামগী থৌগল কায়দনা তৌনীংবনা মশাগী মখোঙ নাম্মা কফুৎতা নাম্থদুনা শৎকৎপা ঙমদনা লৈরবা ফাওবদসু মীয়ামগী থৌগল কায়দনা তৌবা ঙম্নবা হোৎনবা মীওইশিংসু হৌজিক্কান্দা শুকয়াও য়াওদবদি নত্তে। মখোয়দুদি তশেংনা অতাঙবা কাঙবুশিংদা চিংখ্রবা মীওইশিং ঙাক্তনি। অদুবু লাইবক থীরিবদি হৌজিক্কানসিদা অসিগুম্বা মীয়ামগীদমক খনবা মীওইশিংসি মশীং খজিক্তং য়াম্না খক থেংনবা ফংদবসিনি। অসিগুম্বা মীয়ামসিনা পূন্না হিংমিন্নরিবা লমদমসিদনি ঙসি ঐখোয়না কোরোনাগী লাইচৎ থেংনবা ঙম্নবা হোৎনরিবসি। ●

# গেম-চেঞ্জর অমা ওইরিবা এন ঈ পি : লৌশিংগী শেন্মীৎলোন অমগীদমক্তা শেম শাবা

**— ধর্মেন্দ্র প্রধান —**

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা কুমজা ২০১৬তা প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা য়োজনা (পি এম য়ু ৱাই) হৌদোকখিবা মতমদা থেংনখিবা খ্বাইদগী চাউবা শীংনবদি লৈবাক্কী খ্বাইদগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা ক্যুদা লেপ্লিবী খ্বাইদগী অকোনবা নুপীগী মফমদা এল পি জি সিলিন্দর য়ৌহনবনি। খোঙফম চেৎলবা ৱর্কফোর্স অমসুং রাজনিতিগী অচেৎপা ৱাখল্লোন্না তেংবাঙদুনা পি এম য়ু ৱাইনা মায় পাকখিবা অমসুং শোখরবা মীওইশিংগী পুন্সিদা মসিনা কান্নবা শাফু পীখিবনা এদ্যুকেসন সেক্টরদা অচৌবা অহোংবা পুরক্তুনা ঐখোয়গী মহৈরোয়শিংবু ২১শুবা চহীচাগী লৌশিংগী শেন্মীৎলোনগী শীংনবশিংগা মায়োক্লবা ঙমহনগদবা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসি ২০২০ চৎনহনবগী শীংনবনা থল্লবা চাউরবা থবকশিং পায়খৎপা ঙমগনি হায়বগী ঐখোয়দা থাজবা পীখি।

ইন্দিয়া অসি মশাগী অপূনবা মীশিংগী ৫০% হেনবনা চহী ৩০গী মখাদা লৈবা নহা ওইরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। দেমোগ্রাফিক দিভিদেন্দগী তৌবা ঙম্বগী মতিক্কী কান্নবশিংদি ঐখোয়না খঙলবনি। অদুবু, অসিগুম্বা মতিক অসি ঐখোয়গী নাক্তা মতম চূপ্পা লৈগদৌবা নত্তে। অদুগা দিভিদেন্দ অসিগী ৱাহম্থোক পীবসু ওটোমেটিক ওইবা থৌওং নত্তে। মসিদা চুংশিন্নদুনা পায়খৎপা থবক অমসুং পোলিসি শেম্বগী মথৌ তাই। তশেংবদি, ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী চাওরাকপা ২০%না চহী ৬০গী মথক্কী মীওই ওইদুনা কুমজা ২০৫০ ফাওবদা ইন্দিয়ানা চহী লিশল্লকপা খুন্নাই অমা ওইরক্লি হায়না অখঙ অহৈ খরনা হায়নরি। করিগুম্বা ৱাফম অসিনা চুম্লে হায়না লৌরবা, ঐখোয়গী নহারোলশিংগী তৌবা ঙম্বগী মতিক্কী মপূং ফাবা কান্নবা লৌনবগীদমক্তা ঐখোয়গী নাক্তা চাউরাক্লা দিকেদ অনী খরা হেনবগী মতম খক্তা ঙাইরে হায়না ইচম চম্বা কালক্যুলেসন অমনা তাক্লি। হায়রিবা মতমসিবু প্রধান মন্ত্রিনা অমৃত কাল, নীংতম্বগী চহী ১০০ মপূং ফাগদবা চহী ২৫গী মতম হায়না কৌরিবনি। মরম অদুনা, ঐখোয়না ইনক্রিমেন্টেল এপ্রোচ অমা লৈবা য়ারোই, মদুগী মহুত্তা ঐখোয়গী নহারোলশিংগী তোঙান তোঙানবা থাক্কী তঙাইফদবা অমসুং অপাম্বা ফংহন্নবগীদমক্তা পথাপশিংবু কূপ্লা নৈনবগী থৌওং অমা ওইনা পাঙথোক্কদবনি।

এন ঈ পি ২০২০ অসিদি ঐখোয়গী লৈবাক্কী খোঙচত্তা পনখ্রিবা অসিগুম্বা অহোংবা অমা পুরকপগী থৌওংনি। প্রধান মন্ত্রি মোদিগী অতোপ্পা ৱাফম অমদা এন ঈ পি ২০২০না মরোমদোম লেপচবা ইন্দিয়া, আত্মা নির্ভর ইন্দিয়াগী য়ূম্বী ওইনা থৌদাং য়াগনি হায়না থম্মি। এন ঈ পিনা ঐখোয়গী এদ্যুকেসন ইকোসিষ্টেমগী মওং মতৌবু প্রি-প্রাইমারিদগী হৌদুনা হায়র এদ্যুকেসন ফাওবদা নৌনা শেমদোক্লি অমসুং স্কিল অমসুং রিসর্স ইকোসিষ্টেমগা লোয়ননা মসিবু নৌনা কনফিগ্যুর তৌরি। মসিনা এক্সেস, ক্বালিটি, ইক্বিতি অমসুং এফোর্দেবিলিটিগী ৱাখল্লোন মরিদা লেপ্লী। এন ঈ পিনা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সী) গী মহুত্তা সিঙ্গল রেগুল্যেটরি বোদি ওইবা হায়র এদ্যুকেসন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঐচ ঈ এস আই) হায়বা অমা শেমদুনা হায়র এদ্যুকেসন্দা চঙবগী গ্রোস এনরোলমেন্ট রেসিওবু হৌজিক ওইরিবা ২৭.১%গী থাক্তগী কুমজা ২০৩৫ ফাওবদা ৫০%গী চাংদা হেনগৎহন্নবা পান্দম থল্লি। মসিনা কাঙলোন শেম্বা, শকখঙবা, শেল পীথবা অমসুং একাদেমিক ষ্টেন্দর্দ শেম্বগী থৌওংশিংবু মনীং তম্বা অমসুং শক্তি পীরবা বোদিশিংনা পাঙথোকহনগনি। থাক খুদিংদা চাওখৎপা পুরক্লবগীদমক্তা এন ঈ পিনা থল্লিবা ৱাফম কয়াগী মনুংদগী পনবা য়াবা খরদি থাক খুদিংদা এক্সপেরিএন্সেল লর্নিং পাঙথোকপা, ইন্নোভেসন অমসুং এক্টিভিটিদা য়ূম্ফম ওইবা পেদাগোজী ইনবা, হায়র এদ্যুকেসন মল্টিপল এন্ত্রি/এগজিৎ লৈহনবা, দিসিপ্লিন য়াম্বা এদ্যুকেসন লৈহনবা অমসুং একাদেমিক বেঙ্ক ওফ ক্রেদিট শেম্বনি। মসিগুম্বা অচৌবা অহোংবশিংগা চুনবা ঙমহন্নবগীদমক্তা মরী লৈনবা পোলিসি শেমদুনা পাঙথোকপা ইন্দিয়াদা মহৈ তম্বগী প্রোগ্রামশিং অমসুং এদ্যুকেসনবু মালেমগী থাক্তা য়ৌহনবদা অহেনবা মীৎয়েং য়াম্না চঙলি।

এন ঈ পিনা ২১শুবা চহী চাগী এস্পিরেস্নেল এদ্যুকেসন সিষ্টম অমা ওইবগা লোয়ননা মসিনা হৌজিক্কী মতমগী শিংনবা কয়াসু নীংথিনা শকখঙলি। মহৈরোয় খুদিংনা ফাউন্দেসনগী থাক্তা লৈবা লিটরেসী অমসুং ন্যুমরেসীবু গ্রেদ ৩ ফাওবগী মনুংদা শোয়দনা খঙহনগদবনি হায়বা ৱাফম থল্লি। কুমজা ২০১৬-১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক্কী অঙাং খুদিংনা গ্রেদ ৩ ফাওবদা ফাউন্দেস্নেল লিটরেসি অমসুং ন্যুমরেসি খঙহন্নবগীমক্তা নিপুন ভারত কৌবা ফাউন্দেস্নেল লিটরেসি অমসুং ন্যুমরেসিগী নেসনল মিসন অমসু হৌদোকখ্রবনি।

ঐখোয়গী অঙাংশিংগী মহৈ তম্বগী থৌওংবু হেন্না মমুৎ তাহন্নবগীদমক্তা য়ামদ্রবদা গ্রেদ ৫ ফাওবদি মমালোল/লোকলগী লোলদা তাকপীনবগীদমক্তা থাক খুদিংগী লৈঙাক্লা হোৎনগদবনি হায়বা পোলিসি অসিগী ৱাফম য়াওরি। ঐখোয়গী লৈঙাকনা হায়র এদ্যুকেসনদা লোকল লোল শীজিন্নবদা মীৎয়েং চঙলি। মসিগী মরমদি কেন্দ্র সরকারনা লোল খুদিংবু লৈবাক্কী লোল হায়না শকখঙবা অসিননি। অন্দরগ্রেজুএট লেভেল অমসুং দিপ্লোমা কোর্স কয়াগী টেক্নিকেল লাইরিক ২০০ হেনববু হন্দক্তা লোকলগী লোলদা নমদুনা ফোঙখ্রে। ইঞ্জিনিয়রিং, মেদিকেল অমসুং লিগেলগী দিসিপ্লিন য়াওনা টেক্সবুক কয়াবু লোকল অমসুং ওফিসল লোলশিংদা পুথোকপগী থৌওং কয়া লৈঙাক্লা লেপ্তুনা পায়খৎলি। এন্ত্রান্স এগজাম কয়াবুসু মরু ওইবা লোল খুদিংদা থাবা য়াহন্নবগীদমক্তা খোঙথাং কয়া অমসু পায়খৎলি। হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা ক্বালিটি এদ্যুকেসন তানবদা ইংলিস খঙদবনা মরম ওইরগা খুদোংচাবা নংহন্দনবা ইঞ্জিনিয়রিং অমসুং মেদিকেল এন্ত্রান্স এগজামশিংবু লোল ১৩দা পাঙথোক্লি।

ওজাশিংনা ঐখোয়গী লৈবাক্কী তুংগী মতমগী মওং শেম্বনি। ঐখোয়গী ওজাশিংবু ইথিল পীনবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎনবগীদমক্তা শিনফম অসিদা লৈরম্বা ইকায়খুম্নবা অমসুং থাক ৱাংনা থম্বগী মতৌবু নৌনা অমুক পুরক্লবা ঐখোয়না হোৎনবগী মথৌ তাই। ইশাবু হেন্না চাওখৎচহন্নবা অমসুং প্রোফেস্নেল দিভেলপমেন্ট লেপ্তুনা পাঙথোক্লবগীদমক্তা খুদোংচাবা কয়া পীবদা ঐখোয়গী লৈঙাক্লা মীৎয়েং কন্না চঙলি। স্কুল খক্তদা নত্তনা, ঐখোয়গী কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংগী ফেকলটিশিংনা খ্বাইদগী নৌবা টেক্নোলোজি অমসুং ইন্নোভেসনগা লোয়ননা পেদাগোজীগী তোঙানবা মখলশিংগী মতাংদা তম্লগনি। ঐখোয়না টিচর ত্রেনিংগী মালেমগী থাক্তা লৈবা সেন্টর কয়া লৈবাক শিনবা থুংবদা শেমগৎলি। হৌজিক চৎলিবা শেনবা চহীগী বডজেটতা লুপা ক্রোর ৬ কায়থোক্তুনা দিজিটেল টিচরগী খুদোংচাবসু শেল্লি।

লাইচৎনা অহুমশুবা চহীদা চঙশিল্লক্তুনা সোসল লাইফকা লোয়ননা থাজদবা জিও-পোলিটিকেল থৌদোক কয়া থোকহনখিবনা মরম ওইরগা হৌখিবা মমাঙগী চহী ২দা ঐখোয়না হান্না থেংনখিদ্রিবা মতম অমা থেংনখি। অদুবু, মসিগী কান্নবা মহয় অমদি অসিগুম্বা অৱাবা মতম্না ইন্নোভেসন পাঙথোকহল্লি হায়বসিনি। ঐখোয়না অকোয়বদা য়েংবা মতমদা ঐখোয়গী নহারোলশিংগী অনৌবা পাঙথোকপগী ইথিল হেনগৎলিবা অসি উবা ফংই। কোভিদ-১৯গী খম থেংবা অৱাবগী মতুংদা ঐখোয়গী এদ্যুকেসনগী ইন্সটিট্যুটশিংদা ইন্নোভেটিভ ওইবা মোদেল কয়া থোক্লকখিবগী ফীভম ঐখোয় পূম্নমক্লা উবা ফংনখি। মালেমগী থাক্কী টেক্নোলোজিনা অফবা ইক্বেলাইজর অমসুং ইনেব্লর ওই হায়বা ৱাখল্লোন্দা য়ূম্ফম ওইদুনা কেন্দ্রগী বডজেটনা এদ্যুকেসনগী মতাংদা ৱাফম শন্দাক্লবগীদমক্তা মথংগী চহী ৫দা অনৌবা টি ভি চেনেল ২০০ হৌদোক্লবগীদমক্তা চাউরাকপা লুপা ক্রোর ৯৩০ কাইথোকখি। মালেম অসিদা মরিশুবা ইন্দষ্ট্রিএল রেভল্যুসনগী থোঙজিন্দা লেপ্লি। ঐখোয়না মমাঙগী অনী থেংনহৌদ্রবসু অমসুং অহুমশুবগা চুননবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয়না মরিশুবা অসিবু শোয়দনা লুচিংবা ঙম্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। এ আই, রোবোটিক্স অমসুং ওটোমেসনগুম্বা খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলক্লিবা টেক্নোলোজিশিংনা খুদোংচাবা কয়া অমগা লোয়ননা শীংনবা কয়া অমা ঐখোয়গী মাঙদা থল্লি, মসিনা শীংনবা ওইবগী মরমদি ত্রেদিসনল ওইবা থবক কয়া অমা লোইশিনখিগদবা লৈবননি। অদুবু, মসিনা মীওইবা, মেছিন অমসুং অলগোরিদমগী মরক্তা নৌনা শীন্দোক্লবা থবক কয়াগা চাননবা অনৌবা জোব রোল কয়া অমসু লৈহল্লক্কনি। মরম অদুনা থবক তৌবা মীওইশিংনা রিস্কিল অমসুং অপস্কিল তৌবগী মতম য়াম্না তেনশিল্লক্লে অমসুং মীওই খুদিংমক হৌজিকমক থবক পাঙথোকপগী মথৌ তারকপগা লোয়ননা মশীং য়াম্লবা নহারোল অপূনববু ত্রেনিং পীবা ঙম্নবগীদমক্তা অসিগুম্বা থবকশিং অসিবু পাক চাওনা শেল্লিবনি।

২১শুবা চহীচা অসিদি লৌশিংগী চহী চানি। ইন্দিয়াদি মালেমগী খ্বাইদগী য়াম্না লিবা সিভিলাইজেসনগী মরক্তা অমনি অমসুং য়াইফরবা তুংগী মতমগী মায়কৈদা চাওখৎলক্লিবা শেন্মীৎলোনবু লমজিংনবা 'কেপ্তেন' ওইবগী মহৌশাগী ওইবা অহেনবা খুদোংচাবা অমদি লৌশিংগী খুন্নাইদা লৈগল্লি। কন্সটিট্যুসনগী হেক মথংদা লৈবাক শিনবা থুংবদা খন্ন-নৈনবগী থাক কয়াগী মতুংদা শেমখিবা এন ঈ পি ২০২০না ৱাখল চমন্নবা অমসুং খঙদনা হৌখিবা দিকেদ কয়াদগী ঐখোয়বু লমজিংদুনা পুথোকপীরক্কনি অমসুং ৱাখল্লোন, ইথিল, হৈ-শিংবা অমসুং থবক পাঙথোকপগী হীরমদা ইন্দিয়া মচা ওইবগী নুং য়ৌনা চাওথোকচবগী ইথিল অমসু পীবিগনি। মসিদা হীরম খুদিংদা চাওখৎপা পুরক্লবগীদমক্তা অমসুং মীওইবা অমগী তৌবা ঙম্বগী মতিকপু মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙম্নবগীদমক্তা মহৈরোয়, ওজা অমসুং মমা-মপাশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিল্লি।

ঐখোয়গী নহারোলশিংনা থবক থীবা মীওই অমা ওইদবা, থবক পীবা মীওই ওইদুনা থবকশিং য়েংলি। করিগুম্বা ঐখোয়না মখোয়দা ক্বালিটি এদ্যুকেসন অমসুং হৌজিক মতমগী স্কিল পীরবদি ঐখোয়গী নীংতম লাম্মীশিংনা পামজরম্বা বিশ্ব গুরুগী ফম্বু ইন্দিয়াগী মফমদা পীবা ঙমগনি। এন ঈ পি ২০২০ অসিসু মদুমক পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক্তা শেমখিবনি। ঐখোয়না নীংতম্বগী চহী ৭৫ মপূং ফাবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লিবসিদা এন ঈ পি অসিনা লৈবাক শেম্বদা তম্বা ঐখোয়গী শরুকনি। (পি আই বি ফিচর)

অইবা অসি এদ্যুকেসন অমসুং স্কিল দিভেলপমেন্ট অমদি ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিপকী কেন্দ্র মন্ত্রিনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।